# প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগতা শরুক য়াগদবা টিমশিং, প্লেয়র মমিংশিং লাউথোকখ্রে





ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১০ : লাক্লিবা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১ দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা এদিসনগী প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ (পি বি এল) তা শরুক য়াগদবা প্লেয়রশিংগী ওক্সন লোইখিবগা লোয়ননা লীগ অসিদা শরুক য়াগদবা টিমশিংগী প্লেয়রশিং লাউথোকখ্রে।

লীগ অসি রাউন্দ-রোবিন ফোর্মেটতা শান্নদুনা টিমশিংনা অমগা অমগা মায়োক্ন দুনা লন্থানগনি। মসিদা মেচ মঙা লৈগনি। মখোয়শিং অদুদি নুপাগী সিঙ্গলস অনী, নুপীগী সিঙ্গলস অমা, নুপাগী দবলস অমা অমদি মিক্স দবলস অমনি।

টাইখুদিংমক্তা আইকোন প্লেয়রশিংগী মরক্তা ইন্দিয়ন অনী য়াওগনি। মেচশিং অসি গেম অহুমগী এফ্যেক্সতা চত্থগনি। অদুগা পোইন্ট ১১ দা লোইশিনগনি। লীগ অসিগী ৱিন্নর ওইবা অদুনা লুপা ক্রোর ৩ ফংগনি। অদুগা রন্নরস-অপনা লুপা ক্রোর ১.৫ ফংগনি। সেমী ফাইনেলদা লৈহৌবশিংনা লুপা লিশিং ৭৫/৭৫ ফংগনি।

হায়রিবা লীগ অসিদা শরুক য়াগদবা টিমশিং অদুদি অৱাধে ৱরিয়রস, বেঙ্গলুরু ব্লাষ্টর্স, চেন্নাই স্মাচরস, দেল্লি এসরস, হায়দ্রবাদ হন্টরস, মুম্বাই রোকেটসনি।

এৱাধে ৱরিয়রসতা য়াওরিবা শট্টলরশিংনা মেন'স সিঙ্গলসতা কে শ্রীকান্ট (লুপা লাখ ৫১), অধিত্যা জোসি (লুপা লাখ ৩), নুপীগী সিঙ্গলসতা সাইনা নেহৱাল (লুপা লাখ ৩৩), রিটুপর্না দাস (লুপা লাখ ৬), নুপাগী দবলসতা বুদিন ইসারা (থাইলেন্দ, লুপা লাখ ১৭), ভি শেম গোহ (মলেসিয়া, লুপা লাখ ৩৩), মার্কিস কিদো (ইন্দোনেসিয়া, লুপা লাখ ১০), মিক্স দবলসতা সাভিট্রি অমিট্রপাই (থাইলেন্দ, লুপা লাখ ২০) অমদি প্রজক্তা সৱান্ট (লুপা লাখ ৩) নি।

বেঙ্গলুরু ব্লাষ্টর্সকী মেন'স সিঙ্গলসতা ভিক্টর এক্সেলসেন (দেনমার্ক, লুপা লাখ ৩৯), সৌরভ ভর্মা (লুপা লাখ ১৩), বূনসাক পোন্সানা (থাইলেন্দ, লুপা লাখ ১০), ৱিমেন'স সিঙ্গলসতা পোর্নটিপ বুরনাপ্রাসার্টসুক (থাইলেন্দ, লুপা লাখ ২২), জি রুথভিকা (লুপা লাখ ৭), মেন'স দবলসতা য়ু য়িওন সিওং (কোরিয়া, লুপা লাখ ৩৯), কো সুং হয়ুন (কোরিয়া, লুপা লাখ ৩৩), প্রনভ চোপ্রা (লুপা লাখ ১০), মিক্স দবলসতা অশ্বিনি পোন্নাপ্পা (লুপা লাখ ১৫) অমদি সিক্কি রেদ্দি (লুপা লাখ ৫) নি।

চেন্নাই স্মাসর্সকী মেন'স সিঙ্গলসতা তনোংসাক সানসোমবূনসুক (থাইলেন্দ, লুপা লাখ ৩০), টোম্মি সুগিয়ার্টো (ইন্দোনেসিয়া, লুপা লাখ ২৬), পি কেশয়প (লুপা লাখ ৮), ৱিমেন'স সিঙ্গলসতা পি ভি সিন্ধু (লুপা লাখ ৩৯), অরুনধাটি পন্টাৱানে (লুপা লাখ ৩), মেন'স দবলসতা ক্রিস এদকোক (ইংলেন্দ, লুপা লাখ ২৬), মেদস পেলর কোলদিং (দেনমার্ক, লুপা লাখ ২৫), বি সুমীথ রেদ্দি (লুপা লাখ ৫), মিক্স দবলসতা গাব্রিলে এদকোক (ইংলেন্দ, লুপা লাখ ২৬) অমদি রামযা টুলাসি (লুপা লাখ ৩) নি।

দেল্লি আসর্সকী মেন'স সিঙ্গলসতা জান ও জোর্গেন্সেন (দেনমার্ক, লুপা লাখ ৫৯), সোন ৱান-হো (কোরিয়া, লুপা লাখ ৩৯), সিরিল ভর্মা (লুপা লাখ ৪), ৱিমেন'স সিঙ্গলসতা নিটচাও জিন্দাপোল (থাইলেন্দ, লুপা লাখ ১৭), অকার্শি কেশয়প (লুপা লাখ ৩), মেন'স দবলসতা ভ্লাদিমির ইভানোভ (রসিয়া, লুপা লাখ ২৭), ইভান সোজোনোভ (রসিয়া, লুপা লাখ ১৭), অক্সে দিৱালকর (লুপা লাখ ৭), মিক্স দবলসতা জি জৱালা (লুপা লাখ ১০) অমদি কে মানীশা (লুপা লাখ ৫) নি।

হায়দ্রবাদ হন্টরগী মেন'স সিঙ্গলসতা বি সাই প্রনীথ (লুপা লাখ ২১), রজিভ ঔসেফ (ইংলেন্দ, লুপা লাখ ১৭), সমীর ভর্মা (লুপা লাখ ১১.৫০), ৱিমেন'স সিঙ্গলসতা কারোলিনা মারিন (স্পেন, লুপা লাখ ৬১.৫০), কৃষ্ণনপ্রিয়া (লুপা লাখ ৩), মেন'স দবলসতা ৱী কিয়োং তন (মলেসিয়া, লুপা লাখ ৩৩), বূন হেইং টান (মলেসিয়া, লুপা লাখ ২৩), সাটৱিক সাইরাজ (লুপা লাখ ৩), মিক্স দবলসতা চৌ হোইৱাহ (হোং কোং, লুপা লাখ ১৭) অমদি জে মুঘনা (লুপা লাখ ৩) নি।

মুম্বাই রোকেটসকী মেন'স সিঙ্গলসতা ঐচ এস প্রন্নোয় (লুপা লাখ ২২), অজয় জয়ারাম (লুপা লাখ ১৯) অমদি শ্রিয়ানশ জাইশ্বাল (লুপা লাখ ৩), ৱিমেন'স সিঙ্গলসতা সুং জি হয়ুন (কোরিয়া, লুপা লাখ ৬০), ভ্রুশালি (লুপা লাখ ৩), মেন'স দবলসতা লী য়োং দে (কোরিয়া, লুপা লাখ ৩৭.৫০), নিপিফোন পি ঐচ (থাইলেন্দ, লুপা লাখ ১৭), মানু অট্রি (লুপা লাখ ৭), মিক্স দবলসতা নাদিজদা জৈবা (পোলেন্দ, লুপা লাখ ১৮) অমদি মোহিট সহদেভ (লুপা লাখ ৩) নি।

# মাইরাজ অহমদ খাননা এসিয়ন শুটগন চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১০ : ওলেম্পিয়ন মাইরাজ অহমদ খান্না অবু ধাবিদা চত্থরিবা ৬শুবা এসিয়ন শুটগন চেম্পিয়নশিপকী যুমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মেন'স স্কিট ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।

চৎলিবা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা রিওদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ্তা সিলভর মেদল লৌখিবা অমদি রোমদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলদা মরিশুবা মফমদা লৈখিবা মাইরাজনা হায়খি, মসি ঐখোয়গী স্পোর্ট অসিগী নেচরনি। ঐখোয়না মসিদা চঙশিল্লি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মাইরাজনা রিও ওলেম্পিক্সতা শুট ১২১ কাপ্তুনা মাপনশুবা মফমদা লৈখি অমদি মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা শুট ১২২ কাপখিদুনা তরেৎশুবা মফমদা লৈখি। মাইরাজনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদগী মরিশুবদা শুট ২২ কাপখি অদুবু অরোইবা রাউন্দদা ২৫ কাপ্তুনা মহাক্না রাউন্দশিংদা ২৫, ২৪, ২২ অমদি ২৫ পুন্না ১২৫ কাপখি। ব্রোঞ্জ মেদল মেচতা মাইরাজনা ইন্দিপেন্দেন্ট শুটিং পার্টিসিপেন্ট নাসের অলদিহানিবু ১৬-১৩ দা মায়থীবা পীখি। শীরাজ শৈখনা মশক থোক্লা পার্ফোর্মেন্স পীখিদুনা ১২ স্কোর তৌদুনা ক্বালিফাই ওইখি। মহাক্না রাউন্দশিংদা ২৫, ২৫, ২৩, ২৩ অমদি ২৫ কাপখি। মহাক্না সেমী ফাইনেলদা শুট ১৩ কাপ্তুনা মঙাশুবা মফমদা লৈখি।

ইন্দিয়ন টিমনা কজাখষ্টানদগী পোইন্ট অমখক তানা ফংখিদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি অদুগা আইএসপিনা ৩৬২ স্কোর তৌদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। গুরজোট খাঙ্গুরানা শুট ১১৫ কাপখি অমদি অরোইবা রাউন্দদা ২১ স্কোর তৌদুনা টিমবু মেদল লৌখিবদা মতেং পাংখি।

য়ু এ ঈগী সাইদ অলমাকটৌমনা আই এস পিগী সৌব হাবিবপু ১৫-১৩ দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। মখোয় অনীনা সেমী ফাইনেলদা শুট ১৬ কাপখি। সইদ অলমাকাদৌমনা শুট-ওফতা অতোপ্পা মঙাদগী মাঙজিল থানা চৎখিদুনা ক্বালিফিকেসন ফেজদগী নোক আউট চঙখি।

পনবা য়াই, অঙ্কুর মিট্টালনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ৬শুবা এসিয়ন শুটগন চেম্পিয়নশিপকী ইন্দিভিজুয়েলদা ব্রোঞ্জ মেদল অমদি দবল টেপ্তা টিম সিলভর লৌখিবনি

অঙ্কুর মিট্টালনা ক্বালিফিকেসনদা পোইন্ট ১৪৩ ফংদুনা টোপতা লৈখ্রবসু ইন্দিভিজুয়েল ব্রোঞ্জ ওইনা ফংখি। মহাক্না ক্বালিফিকেসন ফেজগী অহুম য়াওনা রাউন্দ ওফ থার্টিদা পার্ফেক্ট ফোর তাখিদুনা বেষ্ট শুটর ওইখি। অদুবু সেমী ফাইনেলদা রাউন্দ ওফ টুয়েন্টিসভেনদা মশক থোক্লা কাপ্পা ঙমখিদবদগী ব্রোঞ্জগীদমক লম্বাননবা খোঙফম শেমখি।

ইন্দিপেন্দেন্ট শুটিং পার্টিসিপেন্ট (আই এস পি) দা অঙ্কুরনা পোইন্ট ২৭ তা টাই তাদুনা লৈখ্রবা মতুং কুৱেটকী হমাদ অলাফাসিবু মায়থীবা পীদুনা শুট ওফতা ২-১ দা মায় পাকখি। ব্রোঞ্জ মেদল মেচতা অঙ্কুরনা সাদ অল মুটাইরি (আই এস পি) বু ৩০-২৭ তা মায়থীবা পীখি।

য়ু এ ঈগী অহমদ অলাফাসি (আই এস পি) অমদি সাইফ অলশামসিনা সেমী ফাইনেলদা শুট ২৯ কাপ্তুনা মথংশিংনা গোল্ড অমদি সিলভর মেদল লৌখি। অঙ্কুরনা ক্বালিফিকেসনদা পোইন্ট মরি কাপখি অমদি মদুনা ইন্দিয়ন টিমদা সিলভর মেদল লৌখিবদা চাউনা মতেং ওইখি। য়োগিন্দরপাল সিংহ (১৩১) অমদি সঙ্গ্রাম দাহিয়া (১২৯) না মখোয়গী মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীবদি ঙমখিদে।


# ভান নিকরক্লা এথলেট ওফ দ ইয়রগী লিষ্টতা বোল্ট অমসুং ফারাহগা পুনখ্রে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১০ :


ৱেদে ভান নিকরকনা রিও দি জানৈরোদা পাঙথোকখিবা ২০১৬ ওলেম্পিক গেমসদা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীখিবা অদুনা উসেইন বোল্ট অমদি মো ফারাহগা পুন্দুনা আই এ এ এফ'স ৱর্ল্ড এথলেট ওফ দ ইয়রগী শোর্টলিষ্টতা মহাক্কী মফম কনবা ঙমখ্রে।

সাউথ অফ্রিকান অসি ওগষ্ট থাদা নুপাগী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা ৪৩.০৩ সেকেন্দ চেন্দুনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখিবগা লোয়ননা গোল্ড মেদল লৌখি। মহাক্না কুমজা ১৯৯৯ গী ওগষ্টতা অমেরিকান মাইকেল জোনসন্না ২৩.১৮ সেকেন্দ চেন্দুনা থমখিবা মার্ক অদু তুংওইনরমখি।

এৱার্দ অসিবু মঙারক লৌখ্রবা জমাইকানগী স্প্রিন্টর বোল্টনা থংন-থংননা অহুম্লক মিটর ১০০, মিটর ২০০ অমদি মিটর 4x১০০ দা গোল্ড মেদল অহুম লৌখিবদগী এৱার্দ অসিগীদমক চঙবা ঙমখি।



চৈরক অসিদা ফারাহনা রিওদা



মহাক্কী মিটর ৫০০০ অমদি মিটর ১০,০০০ গী গোল্ড মেদল লৌদুনা সিফেন্দ তৌখি অদুগা ফেল্লো দিষ্টেন্স রন্নর অলমাজ অয়ানাসু নুপীগী কেটেগোরিগী নোমিনি মরক্তা য়াওখি।

রিও গেমসদা হাম্মরগী টাইটল লৌখিবী পোলেন্দগী অনিটা ৱলোদার্জকিসু নুপীগী শোর্টলিষ্টতা য়াওখ্রে।

শোর্টলিষ্টতা য়াওরবা অতোপ্পা এথলেটশিংদি জমাইকাগী ইলেইন থোম্পসন, অশটন ইটোন অমদি গেনজেবে দিবাবা য়াওরি।

এৱার্দ অসি সোসল মেদিয়াদা পব্লিক ভোট লৌনদুনা খনগনি। ৱিন্নর ওইবা অদুনা মথং থাদা মোনাকোদা লাউথোক্কনি।

# ইন্দিয়াদা প্রোফেস্নেল বোক্সিংগী কম্পিটিসনশিং পাঙথোক্কদৌরি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১০ : লৈবাক অসিগী প্রোফেস্নেল বোক্সিংগী বোদি অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন বোক্সিং কাউন্সিল (আই বি সি) না মথং চহীগী জন্যুৱারীদগী লৈবাক অসিদা ফাইট নাইট মরি পাঙথোক্কবা শেম-শাখ্রে।

ফাইট নাইট অসি অহানবা ওইনা মথং চহীগী জন্যুৱারীদা গুৱাহাটিদগী হৌদোক্কনি অমদি থা মরিগী মনুংদা ফাইট নাইট মরি পাঙথোক্কনি। ইন্দিয়ন বোক্সিং কাউন্সিল (আই বি সি) অসি ৱর্ল্ড বোক্সিং ওর্গনাইজেসন, ৱর্ল্ড বোক্সিং এসোসিএসন অমদি কম্মনৱেল্থ বোক্সিং কাউন্সিলনা লাইসেন্স পীরবা লৈবাক অসিগী প্রো বোক্সিংগী গবর্নিং বোদি অমনি। বোদি অসিনা ইন্দিয়াদা প্রোফেস্নেল বোক্সিংগী সেঙ্কসন তৌবা, শিনবা লাংবা, ত্রেন তৌবা অমদি বাউটশিং পাঙথোকপগী দাইত্ব লৌরিবনি।

আই বি সিগী সিজন অসি মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৩ দগী গুৱাহাটিদা আই বি সি-৩ ফাইট কার্দ পাঙথোক্তুনা হৌদোক্কনি। মসিদা ইন্দিয়ন নেসনেল টাইটল, নোর্থ ইষ্ট জোন টাইটল অমদি আসাম ষ্টেট বেল্ট টাইটল পাঙথোক্কনি। রাউন্দ ৫০ দগী হেনবা এক্সন উবা ফংগদৌরিবা ফাইট অসিদা ইন্দিয়াগী মশক নাইবা প্রোফেস্নেল বোক্সরশিংনা থাইলেন্দগী বোক্সরশিংগা থিনগায়নগনি।

আই বি সি-৪ না জন্যুৱারী ২৮ দা হায়দ্রবাদতা পাঙথোক্কনি। আই বি সি-৫ না ফেব্রুৱারী ১৫ দা কোলকটাদা পাঙথোক্কনি। হায়রিবা আই বি সি-৪ অমদি আই বি সি-৫ দা মথংশিংনা কোরিয়া অমদি চাইনাগী প্রোফেস্নেল বোক্সরশিংনা শরুক য়াগনি। আই বি সি-৬ গ্রান্দ টাইটল বাউটনা মার্চ ১১ দা চেন্নাইদা পাঙথোক্তুনা সিজন অসি লোইশিনগনি। মসিদা নুপাগী তোঙান-তোঙানবা কেজি কাঙলুপ তরুক অমদি নুপীগী কেজি কাঙলুপ অহুমদা আই বি সিগী নেসনল টাইটলশিংগীদমক লম্বা তৌনগনি। অদুগা চেম্পিয়নশিংনা আই বি সিনা অনীশুবা সিজনদা ৱর্ল্ড টাইটল চেল্লেঞ্জ বাউটশিং য়াওনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন টাইটল চেল্লেঞ্জগী ক্বালিফাই ওইগনি।

আই বি সি-৩,৪ অমদি ৫ গী নাইটশিংদা মার্কি ফাইটরশিংগী রাউন্দ নিপান অদুগা অতোপ্পা মেজর বাউটশিংগীনা রাউন্দ তরুক-তরুক ওইগনি। টাইটল নাইটতনা মার্কি বোক্সরশিংগী রাউন্দ ১০ শান্নগনি অদুগা অতোপ্পা বেল্টশিংগীনা রাউন্দ নিপান-নিপান শান্নগনি।



ইন্দিয়ন বোক্সিং কাউন্সিল (আই বি সি) গী প্রসিদেন্ট ব্রিগেদিয়র পি কে মুরাশিধরন রাজানা হায়খি, ঐখোয়না আই বি সি ফাইট নাইটসতা মখোয়গী কেরিয়র শেম্লনবা থৌরাং তৌরিবা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা বোক্সর খরগা খুৎয়েক পীনবা লোইরে। অতোপ্পা ষ্টার কয়াগসু ৱারী শাবগী থবক চত্থরি। মীয়াম্না পাম্নরগদবা ষ্টার বোক্সরশিংগী মমিং অমদি মতম অথুবদা লাউথোক্লগনি। আই বি সিনা তোঙান-তোঙানবা থাক্তা চহী চূপ্পা পাঙথোক্কদবা প্রো বোক্সিং কম্পিটিসনশিংগী কেলেন্দর অমদি নোর্থ-ইষ্ট হায়না খায়দোক্তুনা চত্থগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## রামকুমার অহানবা রাউন্দদা লৈহৌরে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১০ : দেভিস কপর রাকমুার রমানাথননা ইটালিদা চত্থরিবা ৬৪,০০০ চেল্লেঞ্জর টেনিস টুর্ণামেন্টকী অহানবা রাউন্দ মেচতা জর্মনিগী কেভিন ক্রাৱিটজকী মখুৎতা ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীদুনা লৈহৌখ্রে।

জপানদা চত্থরিবা দোল্লর ৫০,০০০ চেল্লেঞ্জরস মেন'সকী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী লৌরেন লোকোলিনা প্রজনেশ গুন্নেশ্বারনবু ৬-৩, ৭-৬ তা মায়থীবা পীরমখি। দবলসকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী ক্রিষ্টোফর রুংকাট অমদি জিভন নেদুনচেজিয়ননা চাইনিজ টাইপৈগী টি চেন অমদি ইজরেলগী অমির ৱৈনট্রোবপু ৬-০, ৬-৪ দা মায়থীবা পীরমখি।


ADVANCED COACHING INSTITUTE Regd. No.-729

Only25 Seats per class(each section)

Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road

Max. no. of selection every year in min. no. of intakes

REGULAR MEDICAL COURSE (2017)

ENGINEERING (2017) FOUNDATION

The Largest,Trusted&Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc.&Arts

COHSEM | Sc. & ARTS | ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE X & XII | TIME 4.40-7.40AM 4.40-7.40PM | ARTS & Sc. | CBSE

Class xii Sc./Arts(COSEM) from 7th Nov ,10th Nov.

Class xii Sc./Arts(CBSE) from 27th Oct,3rd Nov

Class x-SA II from 27th Oct,3rd Nov

Foundation course for class ix,x started from 8th ,15th Dec

only 50 seats for two sections , Remaining few seats- Last date :23rd November.

Fee concession for merit students, ex-students,OBCs,ST,SC,distance students

Time: 9.30am-1.30pm 12.30pm-4.30pm

Separated boys,girls hostel,van servicelibrary facility #7308911167/9862992105

HL-B/3319/1, 3,5,7,9,11 Nov.



ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ

URIPOK POLEM LEIKAI

THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN - REVISION COURSE FOR CLASS X Starts: 5th Dec. 2016 Time : 11 am - 4 pm

Foundation Course for Class I to X Starts: 15th Dec. 2016 Limited Seat

1st Position (2016)
Sohana Laishram



I feel a heavenly delight in achieving such a wonderful feat. I sincerely thank Angels' Coaching Centre for their constant guidance and support. The study materials they provided and the frequent mock tests were of immense help to me. No doubt, Angels' Coaching Centre is an unparalled coaching centre in Manipur.

— Sohana Laishram

BOARDING FOR BOYS & GIRLS

VAN SERVICE AVAILABLE

9856988840
9402897710
8732022342

3rd Position (2016)
M. Vasundhara



My achievements uptil this stage of my life would not have been possible without the support of my teachers. And, I would, especially, like to thank the faculty of the Angels' Coaching Centre. Had it not been for their support and encouragement, I would never have made it this far. Angels' is a wonderful institute and it is an honour to have been under the guidance of such wonderful teachers.

- Maibam Vasundhara.

HL-B/3446/4/11-3/12



TOP-10 PRODUCTION CENTRE

HURRY! Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Near Hueiyen Lanpao Press ꯑꯣꯏꯕ-꯴꯰

ADMISSION OPEN

1. Special Foundation Course for Class-IX & X (BOSEM)
Duration : 4 months Fee : Rs. 10,500/- (all subject)
Timing : 4:40 am. - 8:00 am. (For Class - IX) & 4:10 pm. - 8:20 pm. (For Class - X)

2. Special Revision Course for Class-X (BOSEM)
Duration : 2 months Fee : Rs. 5,500/- (all subject)
Timing : 9:00 am. - 2:00 pm. 3:00 pm. - 8:00 pm.

First Come First Serve

Subjects : English, Maths, Sc., S.Sc., Man
Class starts : 5th December, 2016
Last date : 20th November, 2016

25 Students per batch

Minimum fee with instalment basis
Every student can choose subjects seperately.

- Conducted by well qualified 20 yrs. experienced Teachers and Examiners.
- Suggestion for HSLC Exam 2017.
- Chapter wise Assessment, free study materials.
- Previous Year questions analysis.
- Regular Mock Test on every sunday.

VAN SERVICE AVAILABLE

HL-P/10434/3-17 Nov.

For more details, Pliz call ☎ 8794523940 / 9615049496


MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY SECRETARIAT

NOTIFICATION

*Imphal, the 9th November, 2016.*

*No. 1/13(6)/2014-LA(E)/Rctt.:* It is hereby informed to all the candidates who have already received their admit cards for direct recruitment to the following posts in the Manipur Legislative Assembly Secretariat that the *written test/shorthand & speed test (Computer typing)/ viva-voce* for the same will be held on the date and time as shown below :

| Sl.No. | Date | Name of post | Mode of Examination |
|---|---|---|---|
| 1. | 11-11-2016 | Legal Assistant | Written Test |
| 2. | 12-11-2016 (2nd Saturday) | LDA | Speed Test |
| 3. | 13-11-2016 (Sunday) | Reporter Grade-III | Speed Test + Shorthand |
| 4. | 15-11-2016 | Office Assistant-cum-Computer Opt. | Speed Test (Roll No. 0001-0420) |
| 5. | 15-11-2016 | Legal Assistant | Viva-voce |
| 6. | 16-11-2016 | Office Assistant-cum-Computer Opt. | Speed Test (Roll No. 0421-0842) |
| 7. | 16-11-2016 | LDA | Viva-voce |
| 8. | 17-11-2016 | Office Assistant-cum-Computer Opt. | Speed Test (Roll No. 0843-1262) |
| 9. | 17-11-2016 | Reporter Grade-III | Viva-voce |
| 10. | 19-11-2016 | Office Assistant-cum-Computer Opt. | Viva-voce |

Time of reporting : 10:30 AM

Time of interview : 11:00 AM onwards

Venue: Assembly Secretariat.

Sd/-

G. Tapankumar Sharma
*Deputy Secretary(Admn),*
Manipur Legislative Assembly.

HL-B/3456/10&11